ৱায়েল কাতি WAYEL KATI
Evening Newspaper
ৱায়েল কাতি

Vol. 1, Issue 128 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৩–২৪ | মেরাগী ২৯ নি, নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ২০, ২০২৫ ইং | মমল লুপা ২।–


## দেঙ্গি– মণিপুরদা মীওই ২,৮৯৬ পোজিটিভ ওইখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭(ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরদা দেঙ্গি পোজিটিভ ওইবগী মশিং হৌখিবা চহীশিংদগী হন্দক্কী চহী অসিনা খ্বাইদগী ৱাংখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪দা মীওই ৮ খক পোজিটিভ ওইরকখি। মখোয় ৮ অসি থারগা ষ্টেট অসিগী ওইনা চহী অসিগী দেঙ্গি নাখিবগী মশিং পুন্না ২,৮৯৬ য়ৌখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা পুন্না মীওই ২০৩৮ পোজিটিভ ওইদুনা চহী অসিগী ওইনা দেঙ্গিনা খ্বাইদগী শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীওই ৫১১, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ৮৬, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ৬৯, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ৬০, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ৪২, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ২৫ পোজিটিভ ওইখ্রে।

## য়াইফ–পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা দিপাৱালিগী থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্নর অজয় কুমার অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর থোকচোম সৈত্যব্রতানা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ–পাউজেল পীরক্লি। লুচিংবা অনি অসিনা থাদোরকখিবা চেরোলশিংনা হায়, অমম্ববু অঙানবনা ফত্তববু অফবনা ঙম্বগী খুদম উৎলিবা দিপাৱালিনা লাকপদা মণিপুরগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা ইং তপ্পা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু।

## ময়াই লম্বী বন্দ তোকখ্রে

**ইম্ফাল ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ময়াই লম্বী শেম্বীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়ামনা চথরম্বা লম্বী থিংবগী খোঙজং মণিপুর লৈঙাক্কী মিৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নরনা মীয়ামগা উন্নরবা তুংদা লম্বী শেম্বগী নুঙ থাবা হৌরকপদগী বন্দগী খোঙজং মতম খরগী ওইনা তোকখ্রে হায়রি।

## নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিপার্টমেন্ট ওফ মেদিসিনগী প্রোঃ সলাম রনবিরবু ই এস আই টেক্সবুক ওফ ইন্দোক্রাইনোলোজি ইনবগী খনগৎপা য়াওরকপদা ইন্সটিট্যুট অসিনা হরাওবা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

## চাদা ৩ হেঙ্গৎলে

**ইম্ফাল ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়িশিংগী দিয়রনেস এল্লাউৱেন্স অমসুং পেন্সনরশিংগী দিয়রনেস রিলিফ চহী অসিগী ওক্টোবর ১দগী পারগা চাদা ৩ হেঙ্গৎপগী মতাংদা গভর্নর ইন কাউন্সিলনা অয়াবা পীখ্রে।

## য়াইফ–থৌজাল পীরক্লি

**ইম্ফাল ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** হিয়াঙ্গৈ নিনি পানবা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা লমদম অসিগী নিংগ্গোল ওইবী পুন্নমক্কী মফমদা মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপুনবা লুপ (মিলাল)না য়াইফ–থৌজাল পীরক্লি। মিলালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়,লাঞ্জেন্নদুনা নিংঙোল ওইবী কয়াশিংগী পেন্দবা অমদি নুংঙাইতবশিংদসু মিলালনা থম্মোয় শোক্লা শরুক য়ারি।

## থুইঙালেং মুইভা ওক্লনবা নাগাশিংনা শেম–শাবা লোইখ্রে

# অরানবা তৌখিবগী মুইভানা নাগাশিংদা লাল্লে হায়জগদবনি ঃ জেদ য়ু এফ



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০(ৱায়েল কাতি)ঃ** চহী ৫০গী মতুংদা অহানবা ওইনা পোক্লফম লমদম উখ্রুলগী সোমদালদা লাক্কদৌরিবা এন এস সি এন (আই এম)গী লুচিংবা থুইঙালেং মুইভা ওক্লবা শেম শাবা লোইখ্রে।

আই এমগী লুচিংবা অসি হেব্রোন্দগী কোহিমা ফাওদুনা মখাদা লাক্কনি অমসুং মাওদা মণিপুরগী নাগাশিংনা তরাম্না ওক্কনি। সেনাপতিদগী উখ্রুল তাবা লম্বীদা মহাকপু নাগাগী কলচরগা মরী লৈনবা ফিজোল শেৎ–চাদুনা মখোয়গী লুচিংবা অসিবু তরাম্নবা থৌরাং তৌরি।

মরক অসিদা, মুইভানা মমাঙদা তৌখিবা অশোয়বশিংগীদমক নাগা মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট ( জে য়ু এফ)না ফোঙদোরক্লি।

জেদ য়ু এফ না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শাংলবা চহী ৫৫ রোম ময়ুম থাদোক্তুনা নাগাশিংগী নিংতম্বা পুরক্লবগী চৎখিবা মুইভানা পান্দম ফংবা ঙমদনা হল্লকপদা তরাম্না ওকফম থোক্তে। নাগাশিংগী নিংতম ঈহৌগী মিংদা মুইভানা শক্লাইহ্রবা লুচিংবা কয়া মীনুংশি য়াওদনা হাৎননবা য়াথং পীখি। ইন্দিয়ান আর্মিগা খুৎ থোক্লবগী মিংদা মীচম মীয়ামদগী লন–থুম কয়া খোমগৎখিবগা লোয়ননা খুঙ্গং কয়া তুম্না মৈ থাদোকহনখি। মুইভা অমসুং মহাক্কা খ্বাইদগী নক্লবা মীওই খরনা তোঙান তোঙানবা মপান লৈবাকশিংদা নুংঙাইনা লৈথোক্লগা নাগা মীয়াম্না শাংলবা VÐA¡Úa" ৱাবা খাঙদুনা লাক্লি।

মণিপুর নাগা য়ুঠ ওর্গনাইজেসননা নাগা মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা তরাম্না ওকপগী ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চরোল অমদা, নিংতম্বা পুরক্লবগী পান্দমদা মতম শাংনা কখোক্তুনা লাক্লবা লুচিংবা অমনা মশামক্কী পোক্লফম লমদমদা হল্লকপদা নাগা মীয়ামনা তরাম্না ওকফম থোকই। মীয়ামগী নিংতম্বা পুরক্লবগী ৱাখল্লোনদা লুচিংবা অসিনা মতম শাংনা ময়ুম–কৈ থাদোক্তুনা অৱাবা কোঙ্গাই খাঙদুনা লাকখিবনি। লুচিংবা অসিনা নাগা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লৌরিবা থৌদাংশিং মতম পুম্নমক্তা কাওফম থোক্তে। লুচিংবা অসিনা লাকপদা মীয়াম পুন্না তরাম্না ওকমিন্ননবা থৌরাং লৌখৎমিন্নসি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবা চহী ১৩৪শুবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

# ইং–তপ্পা ৱারী শান্নবা খক্তনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিনহনবা ঙমগনিঃ দি জি পি



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০(ৱায়েল কাতি)ঃ** ইং–তপ্পা ৱারী শান্নবা খক্তনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিনহনবা ঙমগনি হায়না মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী চহী ১৩৪ শুবা থৌরমদা মণিপুরগী দি জি পি রজিভ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

অহানবা মণিপুর বাট্টালিয়ন মণিপুর রাইফল্সকী পেরদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দি জি পি রজিভ সিংহনা হায়, কুমজা ২০২৩ গী মে থাদগী মৈতৈ অমসুং কুকি–জো ফ্রুপকী মরক্তা ২০২৩গী মতুং তারকপদা মণিপুর পুলিসনা ষ্টেট অসিদা ইং তপ্পা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং থাগৎপা ফোঙদোকখি। খৎন–চৈনবা অমসুং হাৎন–শুনবগী থৌদোক থোক্লবা মতমদা ইং–তপ্পা হঞ্জিল্লক্নে হায়না লৌবা য়াদে। মীপুম খুদিংমক্তা অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লবা মতমদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিল্লক্নে হায়না লৌবগা লোয়ননা পুলিস ফোর্সতা মীয়াম্না থাজবা থম্বা হেঙ্গৎলক্কনি। মতমগা চুনবা মওংদা পুলিস ফোর্স শেমদোক–শাদোক্লবা থৌরাং কাঙলুপকী হাৎন–শুনবা থোরকখ্রবা মতুংদা মণিপুর পুলিসনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নদুনা লাক্লি। অথুবা মতমদা ইং তপ্পা ফিভম হঞ্জিনহন্নবগী মতাংদা পুলিস ফোর্সনা অহিং নুংথিল নাইদনা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী গভর্নর অজয় কুমার ভল্লানা কুমজা লৌখৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর পুলিসকী কন্টিঞ্জেন্ট ১২ না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা লেমজনিংঙাই ওইরবা জিবন রক্ষা পাদক, দি জি পি ট্রোফি ফোর বেষ্ট বাট্টালিয়ন, বেষ্ট পুলিস ষ্টেসন অমদি বেষ্ট পুলিস ওফিসারগী মনা লান্থোকখি। কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী এদিস্নেল এসপি সাইখোম মিরাবাই চনুদা স্পেসিয়েল এৱার্দ পীখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অহানবদা বাট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী বেংক্টি হোলদা পুলিস পার্সোনেল ৫৮ না ঈ পীখি। দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদ ক্বার্টরশিংদসু মিনি মরাথোন, ফুটবোল একজিবিশন মেটচ অমদি পেন্টিং কম্পিটিসননচিংবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

বিষ্ণুপুর, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি ৭শুবা আইআরবিনা ক্রিকেট, বেটমিন্টন, বোল্লিবোল লমজেল অমদি ফুটবোল টুর্নামেন্টনচিংবা শীনখি। পাঙ্গৈদা লৈবা এম পি টি সিদা পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ৫শুবা আই আর বি না ওর্ফান হোমদা চৎন–থক্লবশিং খুদোল তমখি।

## চপ মান্নবা দি এ ফংহন্নবা ইমপ্লোয়িজশিংনা দিমান্দ তৌরি

**ইম্ফাল ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়িশিংনা ফংলিবা দিয়রনেশ এল্লাওৱেন্স (দি এ)গী চাং অসিমক ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়িশিংদসু ফংহনগদবনি হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়িজ কনফিদরেসন, মণিপুর ষ্টেট চেপ্টরগী প্রিসিদেন্ট মৈস্নাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেসকী থাংজিং হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, সেন্ত্রেল গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ি অমনা ফংলিবা দি এগী চাং অসি চাদা ৫৬ নি। ষ্টেটকী ইমপ্লোয়িশিংনা ফংলিবা দি এগী চাংদা ৩৯ নি। হৌখিবা চহীদা ফেদরেসন অসিনা শীন্দুনা ইন্দিয়া পুম্বদা ইমপ্লোয়িশিংগী ওইবা রেল্লি অমা চৎতুনা ওল্ড পেন্সন স্কিম চৎনহনবীয়ু অমদি ইমপ্লোয়িশিংগী দি এ হেঙ্গৎহনবীয়ু হায়না তকশিনখি। গভর্নরদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা তকশিনখ্রবা মতুংদা ইমপ্লোয়িশিংদা পীবা দি এ চাদা ৩৯ ওইরম্বদগী ৪২ য়ৌরক্কদৌরে। ইমপ্লোয়িশিংগী থবক্তগী পোত্থাবগী মতম চহী ৬০ ওইরিবসি চহী ৬২দা হেঙ্গৎহন্নবা আপিল তৌরক্লি।

## ইন্টরপ্রেন্যুর ৫ পুক্লিং থৌগৎখ্রে

**ইম্ফাল ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** সেলিন দিজিতেল অমদি বাহুজননা সাহিত্য একাদেমি, মণিপুর ষ্টেটনা নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা থা অসিগী ২২ ফাওবা পাৎশোয় পার্ট–থ্রিদা পাঙথোক্কদবা নিংঙোল কৈথেল হায়না মিংথোনবা মণিপুরগী ইন্টরপ্রেন্যুর ৫না শীনবা পোপ–অপ সেলদা শরুক য়ারিবা ইন্টরপ্রেন্যুরশিংদা পুক্লিং থৌগৎখ্রে। থৌরমদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেল অমদি বাহুনজননা সাহিত্য একাদেমি, মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ডাঃ ফনজৌবম লনাজিৎ সিংহনা মীপুম খুদিংমক লৈঙাক্কী থবক ফংবা ওইথোক্তবনিনা ইন্টরপ্রেন্যুরশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীবা মথৌ তাই হায়খি।

## থবক্তা ওন্থোকপীনবা আপিল তৌরক্লি

**ইম্ফাল ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মতম শাংনা থবক তৌরক্লবা কন্ত্রেক্ট ষ্টাফশিংগী অৱাবা উবীদুনা নৌনা রিক্রুটমেন্ট তৌবদা শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেজ্যুয়েল। কন্ত্রেক্ট। এনগেনষ্টষ্টাফ এসোসিয়েসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। মখা তানা হায়রিবনা, রিগুলর পোষ্ট লৌনবগী থবক থৌরমদা কনাগুম্বনা কেস ফাইল তৌরকপদগী মতম শাংনা নমশিন্দুনা লাক্লি।মসিনা মরম ওইরগা কন্ত্রেক্ট ষ্টাফশিং এজ বার ওইখিবা য়াই হায়রি।

## মণিপুর এসেমব্লি লিংখিবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এমপি ডা অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা কুমজা ১৯৪৮ দা মণিপুরগী অহানবা এসেমব্লি লিংখৎখিবগী ৭৭শুবা কুমওন থৌরম ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা এমপিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এমএলএ ৫৯ অমসুং এমপি ২ চে–বাউ পীবগী মনুংদা ইন্দিয়ান নেস্নেল কোংগ্রেসকী লেজিসলেচর খক্তমক থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। কুমজা ১৯৪৯গী মতুং তারকপদা য়াম্না তাঙনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লেজিসলেচরশিংনা হৌজিক হৌজিক লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই দি পি)শিং মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা ৱাফম খন্নখি। হায়ৱে, এয়রপোর্ট, হোস্পিটাল অমদি মহৈ তম্ফম লোইশঙশিংদা মীপুম খুদিংমক্না অকি–অখঙ লৈতনা চঙবা য়ানবগী থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি হায়রি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কুমজা ১৯৪৮গী ওক্টোবর ১৮দা মহারাজ বোধচন্দ্রনা নীংথৌশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা এসেমব্লিদা ৱা ঙাংখিবগী অতেনবা ভিদিও অমা উৎখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মেম্বর খুদিংমক্না মণিপুরদা দিমোক্রেসিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা ঈং–তপ্পা ফিভম হল্লক্লবা ৱারেপ লৌখি। খুন্দামিন্নরিবা ফ্রুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি–চান্নবা পুরক্লবগী মতাংদসু কুপ্না খন্ন–নৈনখি।

## বেনিফিসরিগী লিষ্টতা শাশিন্নবা মিং য়াওরক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী তোর্ব্বান ক্ষেত্রি লৈকায় জিপিনা কোনবা মফমশিংদা জল জিবন মিসনগী বেনিফসরি ৯৩৮ গী লিষ্ট ফোঙবদা শাশিন্নবা মীওই চাদা ৮০ য়াওরম্বা থেংনরে হায়না সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট সেরাম নিকেননা ফোঙদোকখ্রে।

শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা ময়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, জল জিবন মিসন পোর্টেলগী ওফিসিয়েল ৱেবসাইটতা তোর্ব্বান ক্ষেত্রি লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়েটকী অপুনবা য়ুমথোং ১০৭৪ লৈবগী মনুংদা স্কিম অসিগী মখাদা য়ুমথোং ৯৩৮ দা টোটি ঈশিং ফংহল্লে হায়না ময়েক শেংনা পল্লি। অঙ্গনৱাদি বালৱাদি সেন্টর ১৬ অমসুং স্কুল অমদা টোটি ঈশিং ফংহল্লে হায়বা ৱাফমসু ৱেবসাইটতা ময়েক শেংনা পল্লি। গ্রাম পঞ্চায়েট অসিনা কোনবা চাদা ৫০ রোমদা হৌজিক ফাওবা টোটি ঈশিং ফংদ্রি অমসুং বেনিফিসরিশিংগী লিষ্টতা শাশিন্নবা মীওই কয়ামরুম য়াওরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এমপিসিসিগী স্পোক্সপার্সনসু ওইরিবা সেরাম নিকেননা হায়খিবদা, মফম মফমদা হকথেংননা চৎতুনা ভেরিফিকেসন তৌদনা বেনিফিসরিগী লিষ্ট শেল্লিবনো হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা ৱাহংনি। মীয়ামগী চাওখৎ–থৌরাং পায়খৎনবগী মিংদা য়াল্লবা শেনফম অমা অরানবা মওংদা শীজিন্নখ্রে হায়নসু মরাল শীরক্লি।

## মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ পোলিসি শেম্বা মথৌ তাই ঃ আই দি এস

**ইম্ফাল ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** গ্রাসরুটকী থাক্তা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসনশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ পোলিসি শেম্বা মথৌ তাই হায়না ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেটিভ মেনেজমেন্ট (আই সি এম) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা কনভেন্সনদা অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্সটিট্যুট ওফ দিভলপমেন্ট ষ্টদিস (অই দি এস) অমদি ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেটিভ মেনেজমেন্টনা খুৎশম্নদুনা রেজিষ্টার ওফ কোওপরেটিভ সোসাইটিগী থৌশিল মখাদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা কনভেন্সন অদু দিপার্টমেন্ট ওফ কোওপরেসনগী রেজিষ্টার দব্লিউ ইবোহল সিংহনা হৌদোকখি।

ত্রিভুবন সাহকারি য়ুনিভর্সিটি, গুজরাটকী গভর্নিং বোদিনগী মেম্বর জিনা পোৎশংবম, থাংজম এগ্রো ইন্দষ্ট্রি প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর থাংজম অরুনকুমার অমদি আই সি এম ইম্ফালগী দিরেক্টর ইন–চার্জ কোইচুং রাঙ্গমলিয়ন আইমোলনা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টেক্নিকেল সেসনদা অখঙ অহৈশিংনা ফাইনান্সিয়েল সষ্টেনেবিলিতি, কোওপরেটিভ ইন্টরপ্রেন্যুরশিপ দিজিটেল ত্রান্সফোর্মেসনগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

## চুড়াচান্দপুরদা এম এস পি সি এলগী ষ্টাফ ৭ কুকিশিংনা ফুধরক্লে

**ইম্ফাল ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** চুড়াচান্দপুরদা মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পেনি লিমিটেদকী ৩৩।১১ কেভি সব–ষ্টেসন টুইলাগী ওফিসার ইন–চার্জ য়াওনা ষ্টাফ ৭ কুকিশিংনা থা অসিগী ১৮গী নুমিদাং পুং ৫ঃ৩০ রোম তাবদা ফুধরক্লে হায়রি।


হিরম অসিগী মতাংদা এম এস পি সি এল, সব–ষ্টেসন সব–দিভিজন ৯,সব–ষ্টেসন দিভিজন ৩গী মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রিবনা, থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মনুং মপান ফাওনা উবা মওংদা ইনভেষ্টিগেসন চথরগা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অহিং নোংয়াই ফাওবদা কষ্টমারি লোগী মতুং ইন্না থৌদোক অসিগী ৱারোইশিনা পুরক্ত্রবদি লোগী মতুং ইন্না এদমিনিষ্ট্রেটিভ লেভেলদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎগনি। মতুং তারকপদসু অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং থোকহল্লোই হায়না থাজবা পীগদবনি। মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা শিন্মীশিং অমসুং মীচম মীয়ামগী মরক্তা ঈং তপ্পা লৈমিন্নবা য়াননবা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং অমুক হন্না থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## চাক্কৌবগী খুদোলপোৎ পীবদা হিদান্নবা তৌবীগনু ঃ সিকো

**ইম্ফাল ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নিংঙোল চাক্কৌবগী খুদোলপোৎ পীবদা হিদান্নবা, মন্তিক্লবা তৌবীগনু হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। লুপ অসিগী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিতি সেক্রেটরি থাংজম ইনাওচানা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি, ঙল্লিঙৈ মতমদগী মীতৈশিংগী ইনাৎ, লাইনিং লাইশোন, হরাও কুম্হৈ, হৌন–লোনচৎ লৈজরকপদু মতমগী অহোংবনা মরম ওইরগা তপ্পা তপ্পা হোংলক্লে। নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি মীতৈশিংগী য়াম্না ৱাহন্থোক লৈবা হকচিন্না লৌবা য়াবা অখন্নবা থৌরম অমনি। মমা মপা, মবুং মৌপ্পা, মরী মতা, ইমুং মনুং অমদি খঙন–চান্নবনা ঙমজবা খরদং হাপচরকপদু নিংঙোল ওইবী মীতৈ চনুশিংনা য়াম্বা য়ামদবা থীদনা হরাও হরাওনা লৌবীয়ু। থৌরম অসি ৱাহন্থোক লৈহনসি অমসুং অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদা লান্না পুখিদনবা হোৎনসি। মবুং মৌপ্পাশিংনসু অঙম্বা খুদোলপোৎ পীবদা হিদান্নবা অমদি মন্তিক্লবা তৌবীগনু। পোৎ–চৈ য়োনবীরিবশিংনসু নিংঙোল চাক্কৌবগী মিংদা খুদোংচাবা লৌদুনা পোৎচৈগী মমল হেঙ্গৎনা য়োনবীগনু হায়রি।

## ব্লদ কেন্সরগী রিস্ক হঙ্হন্নবা ইনর্জি দ্রিঙ্ক থক্লোইদবনিঃ ষ্টদিজ



**ন্যু দিল্লি ওক্টোবর ২০ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মীয়াম্না ব্লদ কেন্সরবুদি কিনরি। অদুগা মসিবু থোকহনবা য়াবা খুদোংথিবশিং অদুদি করিসু খঙজিল্লুবা তৌদে। অদুবু 'নেচর' জর্নেলদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইনর্জি দ্রিঙ্ক তোইনা থক্লবদি ল্যুকেমিয়া হায়না খঙনবা ব্লদ কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহনবনা থক্লোইদবনি হায়রি।

মীয়াম্বু ইনর্জি দ্রিঙ্ক থকপদা চেকশিন্নবগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না পাম্না থক্লরিবা ইনর্জি দ্রিঙ্ক মখল অয়াম্বদা 'তোরিন' কৌবা এমাইনো এসিদ অমা মরুওইবা মচল ওইনা য়াওরি। হায়রিবা মচল অসিনা মীওইবদা ল্যুকেমোজেনেসিস কৌবা ল্যুকেমিয়াগী সেলশিং শেমগৎলকপদা চাওনা মতেং পাংলি। মদুনা মরম ওইরগা ইনর্জি দ্রিঙ্ক তোইনা থকপা মতমদা ল্যুকেমিয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক চাওনা লৈ হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা থিজিন হুমজিল্লবা মতুংদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়, তোরিন হায়রিবা এমাইনো এসিদ মখল অসি মীওইবগী হকচাং মনুংদা চঙখ্রগা চাওনা খুদোংথিবা থোকহল্লকপগী খুদম থেংনরে। মরুওইনা ব্লদ কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবগী খুদোংথিবা মায়োক্নহল্লি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ রোচেষ্টরদা চখখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, কেন্সর সেলশিংনা "তোরিন" হায়রিবা ইনর্জি দ্রিঙ্কতা য়াওবা মচল অদু লৌশিল্লগা হকচাংগী গ্লুকোস পুম্নমক ইনর্জিদা ওন্থোকপা মতমদা কেন্সর সেলশিং শেমগৎলকপা য়াবগী ফিভম থেংনরে। হান্নদি তোরিন হায়রিবা পোৎলম অসি কেমোথেরাপিগী সপ্লিমেন্ট ওইনা শিজিন্নরম্বনি। দি জর্নেল ওফ কেন্সর রিচার্স এন্দ থেরাপ্যুটিক্সকী রিপোর্টনা হায় মদুদি, কেমোথেরাপিনা হকচাং মনুংদা পুথোরকপা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা পোৎলম পুম্নমক তোরিননা ঙাকথোকপা ঙম্মী। অদুবু হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না থিজিনবা মতমদা ইনর্জি দ্রিঙ্ক মখল অয়াম্বগী মরুওইবা মচল ওইনা শিজিন্নরিবা তোরিননা কেন্সর সেল কয়া শেমগৎপদা মতেং পাংদুনা ব্লদ কেন্সর ওইহল্লকপা য়াই হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ রোচেষ্টরগী মখাদা লৈবা ৱিলমোট কেন্সর ইন্সটিট্যুটকী ইনভেষ্টিগেটরশিংনা চখখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমা নিউ য়োর্ক তাইমসতা ফোঙলকখি। রিপোর্ট অদুনা হায়, ব্লদ কেন্সরগী সেল শেমগৎপদা মতেং পাংই হায়বগী খুদম চাংদম থেংনরবা তোরিন হায়রিবা পোৎলম অসি শা–ঙা অমদি য়েরুমনচিংবদা য়াওবা থেংনরে। উচি অমদি মীওইবগী ল্যুকেমিয়া সেলশিংদা চখখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, তোরিন হায়রিবা ইনর্জি দ্রিঙ্ক মখল অয়াম্বদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা শিজিন্নরিবা পোৎলম অসি মীওইবগী সেল মনুংদা চঙহন্দবা ঙম্লবদি ল্যুকেমিয়াগী রিস্ক হঙ্হনবা ঙমগনি। চহী খুদিংগী ব্লদ কেন্সরনা মরম ওইরগা মালেমদা মীওই কয়ামরুম শীরি। অষ্ট্রেলিয়াগী ওইনসু কুমজা ২০২২ দা ল্যুকেমিয়াগী অনৌবা কেস ৫,২০২ থেংনখি। মদুগী মনুংদা মীওই ২,১২১ শীখি। ইন্দিয়াগী মীওই ১,৩৫,০০০ খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ব্লদ কেন্সর লায়নাগা শাগোন্ননা হিংলি হায়না ফোঙদোক্লি।


## হয়েংগী নোংদম

২০।১০। ২০২৫

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ – পন্দুনা লৈরকপা থবকশিং পাঙবা য়াই, দাও য়াগনি।

বৃষ – ৱাখল লৌশিং চাওখৎপা, অঙম অথৌশিংনা নুংশিবিবা নুমিৎনি।

মিথুন– য়েক্লবা মশিং হেনগৎপা, অৱাবা তাবা য়াবা লৈ।

কর্কট– শেল ফঙবা, মীথোই মীহেনবা ফঙজৌ হায়বা লৈ।

সিংহ– হকচাং চিফেৎ চিফেৎ নুংঙইতবা ৱাখল থোক্তবা নুমিৎনি।

কন্যা– ইংনা খম্বরগা থবক তৌরবদি মায় পাকউ হায়বা লৈ।

তুলা– ইমুং–মনুং চক্রি থাংনবা,য়েক্লবা মশিং য়ামখৎলকপা পী।

বৃশ্চিক–শেল চৎপগা লাকপগা চৎপনা হেনগনি, চেকশিন্না চাদিং তৌবিয়ু।

ধনু – খঙহৌদনা খুদোংথিবা থোকপা য়াবা দশা লৈ, চেকশিনবিয়ু।

মকর – থবক মচা–মশু পাঙবদা মায় পাকপগী ফল পীরি।

কুম্ভ –ওইজ ওইথক ফঙউ হায়বা লৈ, মরুপকী মতেং ফঙগনি।

মীন – শেল–থুম মাঙবা, লন–থুম চৎলু হায়বা লৈবনা চেকশিনবিয়ু।



## DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate for High School Leaving Certificate Examination 2016 bearing Roll No. 29937 issued by the Board of Secondary Education Manipur (BOSEM) on the way between Thoubal Bazar to Kakwa Bazar on 18th Oct. 2025.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Leimapokpam Sadananda Singh**
**Thoubal Athokpam**
**#9612915579**

WK 11/20 Oct



## ফেমিলি লৈবা য়াবা পক্কা বিল্ডিংগী ফ্লোর ১ শাঞ্জরি

পোমরোম্পাৎতা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী ময়াদা ফেমিলি লৈবা য়াবা বেদ রুম ৩, হোল অমা, কিটচন রুম ১ য়াওবা ফ্লোর ১ শাঞ্জরি। কনাগুম্বনা শীজিন্নিংবা লৈরগদি মখাগী টেলিফোন নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

– টেলিফোন নম্বর ৭০৯৯০৭৩৪০০

WK 05/14 to 19 Oct

# এদিটোরিয়েল

WAYEL KATI
মেরাগী ২৯ নি, নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ২০, ২০২৫ ইং

## মণিপুরদা পাউমীশিংগী মনিং তম্বা মাঙখিবা
### শুপ্নম অমসুং কিহন–খঙহনবা তোকপা মতম য়ৌরে

জর্নেলিষ্ট হায়বসি শিনফম অমা ওইনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা কাঙবু অমনি। মখোয়না মীয়ামগী য়াইফননবা থবক ময়াম অমা তৌবা হায়বসি মখোয়না উরিবা, খঙলিবা তারিবা অমসুং থিজিনবদগী ফংলকপা ঈ–পাউশিং অদু ফোঙদোক্লগা মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চঙহনবদুনি। অসুন্না থবক তৌরকপা হায়বসি খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা, অরানবা তৌবা ময়াম অমনদি জর্নেলিষ্টশিং অদুবু য়েক্লবা অমগা চপ মান্ননা লৌই। লানফমদা লান থেংনবদা য়াওরিবা মীওই কাঙবু অদুনা মশা কঞ্জন্নবা নৎত্রগা য়েক্লবা হাৎননবা পায়রিবা মখল মখা কয়াগী নোংমৈশিং অদুদগী পাউমীশিংনা পায়রিবা কেমেরাশিং অসিনা তাদে। পাউমীশিংগী কেমেরাশিং য়াম্না মতিক ময়ায় লৈ। লৈঙাক অমা মরু ফুত্তুনা লংথোকপা ঙম্মী। অরৈানবা তৌবশিং লৈরোন্নুংদা ফুমজিনবা ঙম্মী অমসুং অওনবা লৈঙাক অমা লাকহনবসু ঙম্মী। মরম অদুনা পাউমী হায়বা কাঙবু অসি মীওইবা খুন্নাসগী মায়োক্তা থবক তৌবা কাঙবুগীদি খ্বাইদগী চাওবা য়েক্লবশিংগী মনুংদা অমা ওই। অসিগুম্বা শীংনবা কয়াগী মরক্তা পাউমশিংনা অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং থিদনা মথৌ তৌরি। শুপ্নগী লুপা লিশিং ৮ ফাওবা ফংদবা পাউমী ময়াম অমা মণিপুরদসু পাউমী ওইনা থবক তৌরি। অসিগুম্বা পাউমীশিং অসিবু কনাগুম্বনা তাথি–তাওইনা খল্লক্লগদি ষ্টেট অসিদা দিমোক্রেসি মরাই চাইথখ্রবনি। মালেমগী ওইনা য়েংলুরগসু ইনক নকপা মিদ্দল ইষ্টতা ইজরেলগা পেলেষ্টাইনগগী মরক্তা থোক্লিবা লানফম অসিদা নুপী কয়ামরুম য়াওনা জর্নেলিষ্ট ২৩৫ গী মপুন্সি কৎখ্রবনি। পাউমীশিংনা লৈরিবা মফমদুমক্তদা বোম থাদরকপা, খুৎলায় পায়বশিংগী থবক থৌরমশিংগী ভিদিও, ফোটোগ্রাফ লৌরিঙৈদা মদুবু তৌহন্নিংদবা কাঙবু অমনা অতম্ননা নোংমৈনা কাপ্লকপদগী পাউমী কয়া অমসু শিখ্রবনি। মণিপুরদসু পাউমী কয়া অমা শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক ৱাথোকশিং থোকখ্রে। মমিং লৈরবা পাউমী কয়াদা কিহন–খঙহনবগী থবকশিং হৌজিক ফাওবা অসুম চত্থরগা লৈরি। পাউমীশিংগী মথৌদা খুৎ থিংজিন্দুনা পাউমীশিংগী থবক থৌরমশিং মনিং তমহন্দবা হায়বসি দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তদি খ্বাইদগী হেন্না কিনিংঙাই ওইবা ফিভম অমনি। অসিগুম্বা চাওখৎতবগী মওং মতৌ চত্থরকপসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি য়াম্না হরাওরমগনি। মদুনা মরম ওইরগা মখোয়দদি অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোকসি লুন্না লৌরম্লোই। মসিগী চপ চাবা মরম হায়বা তারগদি মীয়ামনা ওইনা মখোয়দা ওনশিল্লক্কনু হায়বসিনি। অদুবু অসিগুম্বা কিহন খঙহনবগী থবকশিং অসি করম্বা মতমদা চত্থরকপা ঙমগদগে হায়রগদি লৈঙাক অমা ফেল ওইরবা মতমদদা ঙম্বনি হায়বসি খঙজিনবা চুম্মী।

মণিপুরদা খুৎলায় পায়বা কাঙবু খরগী কিহন–খঙহনবা, পাউ ফোঙগদবনি ফোঙলোইদবনি হায়বা থৌদোক ৱাথোকশিংগা মরী লৈননা পাউচে পুথোকপা লেপ্পা অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা ঈ–পাউ শন্দোকপা লেপ্পগী থৌদোকসি য়াম্না তোয়না থোক্লি। হন্দক্কী চহী অসিদা থোকখিবা থৌদোক অমা অনি পনবা তারগদি উখ্রুল লম্বীগী গ্বালতাবী মনাক্তা লাম্মীগী পার্সোনেল খরনা পাউমীশিংনা তোঙবা বস অদুদা থারিবা মণিপুর হায়বদু মুথৎলু হায়বা ৱাহৌগা মরী লৈননা অকনবা প্রোটেষ্ট তৌখি। প্রোটেষ্ট অদুগী শরুক অমা ওইনা পাউচেশিং ফোঙবফাওবা লেপখি। থৌদোক অদু করম্না থোকখিবনো হায়বা খঙদোক্লবা ওফিসার ৩না শাবা কম্মিটি অমনা থিজিনহনখি। থিজিনবগী রিপোর্ট অদু লৈঙাক্তা পীখৎখ্রে। অদুগা নমশিল্লগা থমখ্রে। মতম শাংজিল্লক্লবনিনা মীয়ামগী ঈহৌসু, পাউগী ঈহৌসু অদুম তোক্লখ্রে। মসিনি মণিপুরনা পাল্লিবা। হন্দক অমুক মহৈরোই অমা খক লৈরম্বদগী অনি থোরকপগা মরী লৈননা পাউ হাপকদবনি, হাপ্পা য়ারোই হায়বা অকনবা প্রেসর অমা অমুক লাকখি। হায়রিবা প্রেসর অদু মহৈরোই লুপশিংগী অহল লমনশিং য়াওনরকপনা মরম ওইরগা পাউমীশিংনা লৌজবা মশাগী ৱারেপনা ৱারোইশিন ওইবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা পাউচে ফোঙবা লেপ্পা নত্তনা পান্থে অমা ফাওবা লৈখিদে। ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) অমসুং এদিটরস গিল্ড ওফ ইন্দিজয়া (ই জি এম)গী জেনরেল বোদিগী মীফম নুমিৎ নিনি চুপ্পা চত্থখি। পাউমী ময়ামগী ওইবা ভোইস ভোট অমদা পাউচে পুথোকপা হৌবা অমসুং য়েৎনরিবা ৱাফমশিং অদু তাদনা মষখায়গী পাউ অদুমক ফোঙবা হায়বসিদা ৱারেপ লৌরগা পাউচে পুথোকপা হৌরে। ষ্টেট অসিদা পাউমীশিং মপাঙ্গল কলহনবা হায়বসি মায়কৈ অনি খক্তনি। মায়কৈ অমনা মরী লৈনরিবা লুপশিং অমসুং মীয়ামনা পাউমীশিংগী থৌদাং অমসুং মথৌ অদুবু মশক খঙবীবগা লোয়ননা মীয়ামগী থবক মনিং তম্না তৌহনবা নৎত্রগা অমনা শীংনরকপা ময়াম অমা লৈরগসু তৌফম থোকপা থবক্তু খোঙফম অমা হন্দোক্তনা তৌবা ঙম্বা খক অদুনা ওইগনি। মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা অনৌবা মণিপুর অমা শেম্নবগীদমক্তা মরৈপাক নিংবনি হায়রিবা কাঙবুশিংনা পাউমীশিংবু মখোয়গী খুভম নুঙদা কয়াম কুইনা থমগে হায়না খল্লিবনো? নৎত্রগা মখোয়গী খুভমনুংদগী নাম্থোকপা ঙম্নবা ঐখোয়গী তৌফম থোকপশিং অদু করিগীদমক মন্তিক্লগদৌরিবনো? মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুরদা পাউমীশিংগী নিংতম্বা মাঙখ্রে। অশোনবা, পান্থে লৈজদবা খক্তদা মপাঙ্গল কল্লগা লৈরে। খুন্নাইগী মায়োক্তা থবক তৌবা মতিক ময়াই লৈবা কাঙবুদদি পাউমীশিংগী কলম মচিন তেক্লগা লৈরে। অনৌবা মণিপুর অমা শেমগে হায়বাতারবা, মীয়ামবু নুংঙাই য়াইফনা হিংহনগে হায়বা তারগদি পাউমীশিংদা চত্থরকপা চুপ্নম, কিহন খঙহনবশিং লোইশিনবা মতম য়ৌরে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা লুপ ময়ামনসু মতেং পাংবীবা চঙই। পাউমী ঐখোয়সু থৌনা ফবা চঙই হায়জনিংই।

# উপাল ৱাপাল থাজিনবগী কান্নবশিং

–জৈনুল্লাবুদিন নোংজাই

মতম অমদা ঐখোয়গী অনকপা অমদি অথাপ্পা মফমশিংদা উপাল–ৱাপালশিং মরাং কায়না লৈরম্মী। মতমদুদা নৌনা উপাল ৱাপালশিং থারুদ্রবসু য়ারম্মী। অদুবু ঙসিদি ঐখোয়গী অনকপা অমদি অথাপ্পা মফমশিংদা উপাল ৱাপালশিং থোইনা লৈরক্ত্রে। মরমসিনা ঙসিদি ঐখোয়না ঐখোয়গী অহাংবা মফমশিংদা উ–ৱা নৌনা থাজিনবা তঙাইফদ্রে।

উপাল–ৱাপাল, উমং–ৱামং মাঙশিল্লকপসিনা ঙসিদি অইং–অশাগী খলসু কায়হল্লে। মালেমগী ওইনসু শাবগী চাং চহী চহীগী লেপ্তুনা হেঙ্গৎলকপা ঐখোয়না থেংনরি। নুংশাগী মৈশা খাংবদা ৱানরে। নোং চুবগী চাং অমদি মতম কায়রে। ঈশিং ঈচাওগী মওংসু কায়দুনা লাকই। লোয়ননা মীওইশিংনা নুংশা শ্বর হোনজিনবদা চঙবা অশেংবা নুংশিৎ ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংলক্লরোইদ্রা হায়না মালেমগী অখঙ অহৈশিংনা মীপাইনরে।

উপাল–ৱাপালশিং লৈরক্তবদগী লম্লক্কী শা–উচেকশিং মুৎখিবা য়ানা লৈরিবনি। উমং–ৱামংগা শা উচেকশিংগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ। অমনা অমদা তাংজনৈ। শা উচেকশিংবুসু ঐখোয়না নুংশিবীগদবনি। উমং–ৱামং, উপাল–ৱাপাল য়াওদনা মীওইবা অমদি শা উচেকশিংনা নুংঙাইনা পুন্সি শাংনা লৈবা ঙম্লক্তবা য়াই। উপাল–ৱাপালশিং লৈশিল্লক্তবদগী অইং অশাগী খল কায়থরকপা কয়া অসিনা মরম ওইরগা মীওইবনা মালেম সংসারদা কুইনা শাংথনা হিংদুনা লৈবা ঙম্লরোইদ্রা হায়না মালেমগী অখঙ অহৈশিংনা ৱা তানবা হৌরে।

মরম কয়াসি লৈবনা মতম শাংনা নুংঙাই য়াইফনা মীওইবশিং য়াওনা থৱায় পানবা অতৈ জিবশিং, শা উচেকশিংনা লৈবা য়ানবা ঐখোয়গী অকোয়বগী অহাংবা মফমশিংদা উ–ৱা থাজিনবা অসি য়াম্না তঙাইফদ্দবা ওইরে। উপাল–ৱাপাল অমদি অশং অমানগী পাম্বী মনা মশিং শিংনা ঐখোয় মীওইবদা অফবা অশেংবা নুংশিৎ ফংহল্লিবনি। উ–ৱা থাবগী থবকসি তুংগী মীরোলদসু য়াম্না কান্নহৌগদবা অমনি।

উপাল–ৱাপাল, অশং অমানগী পাম্বীশিং থাজিনবগী কান্নবদি থাদুনা লোইবা নাইরোই। মরমসিনা চেকশিন্না ইশা ইশানা থারিবা উ–ৱা চারাশিং পাম্বীশিং থুনা হৌনবা থুনা মপুং মরৈ ফানবা কন্না হোৎনগদবনি। ঐখোয়না অঙাং অমা পোকপগা থুনা চাওনবা লায়না তিন্না চেন্দনবা মশা ফনবা হোৎনবগুম, থাখিবা উ চারাশিং অদুসু তোয়না য়েংশিন্দুনা থুনা চাওনবা কন্না হোৎনফম থোকই। মরমদি কনাগুম্বা মীওই অমনা অতোপ্পা মীওইবা অমদা কান্নবা (মতেং) পীবা ঙমদবা মীওইবদি লৈরম্বা য়াই। অদুবু উপাল–ৱাপাল অমনা তাইবঙ মীওইবশিংদা কান্নবা পীদবদি লৈতে। মরমসিনা থাখিবা উপাল অমা থুনা চাওহল্লবদি উপালশিংগী উরুম থুনা তাংবা ফংগনি। অৱা পোত্থাবসু য়ারগনি। অশেংবা নুংশিৎ ফংলগনি। অইং অশাগী খল কায়দনা থম্বদসু চাওনা মতেং পাংলগনি।

জাতি–বিজাতি য়েক্লবা মরুপ খায়দনা লাক্কনি। নোংমদি নুংশাগী মৈশাদা উপালশিংগী উরুম তাংবা। অহাওবা উহৈসু চাখিনি, অথুম্বা উহৈসু পুদুনা চৎখিনি। মখোয়না হায়গনি, কনানা থারিবা উপালনো ওহোক্লা ঈংখ্রেদা নুংঙাইখ্রেদা উপালশিংগী উরুমসি কয়াদা হাওখ্রবনো, উপালশিংগী উহৈশিং অসি কয়াদা ফখ্রবনো, লৈকায় লমদমগী মীওইশিং অসি মখোয়না থাগৎলমগনি অমদি অফবা ওইসনু শোয়দনা হায়রমগনি তাইবঙ মপুগী মায়কৈদগীসু অফবা মহৈসু শোয়দনা পীবীরকপা য়াই।


অদোম অতোপ্পা মীওইশিং ইপা ইপুশিংনা থাবীরম্বা উপাল–ৱাপালশিংগী উরুম তাংবীরম্লগনি। অইংবা উরুম তাংবগী নুংঙাইবা অহাওবা অথুম্বা উহৈশিং চাবগী মহাওসু খঙবীরমগনি। ঙসিদি ঐখোয়না থাবা মনা পুংবা মশা মরেং য়াম্না শন্দোকপা উপালশিংগী উরুম অতোপ্পশিংদা তুংগী ঐখোয়গী ইচা ইশুশিংদা তাংহল্লম্লসি। অহাওবা উহৈসু পীজরসি, থম্বীরম্লসি ঐখোয়না মখোয়গীদমক , হরাওজসনু মখোয়সু। মসিবু মীওইবনা মীওইবদা পীবা অচৌবা খুদোল সেবা অমনি। মসিগী মহুৎ তাইবঙ মপুনা মহৈ (শৱাব) ওইনা পীবীগনি হায়। উপাল–ৱাপালশিং য়াওনা অতৈ অতৈ মীওইবশিংদা তুং কোয়না কান্নবা য়াবা পোৎলমশিং থম্বীরম্বা মীওইশিংনা শিখ্রবসু মখোয়না থন্নম্বা পোৎলমশিংদুনা লৈরিবা ফাওবা লেপ্তুনা মহৈ শৱাব ফংগনি হায়রি।

মরমসিনা ঐখোয়না অতোপ্পশিং অমদি তুংগী মীরোলগীদমক উ–ৱা থাবীরসি। পুখ্রি গুহা তৌরমসি। ঈথৈ– লৌখোং, লম্বী– থোং শেন্নমসি। লেপ্তুনা মহৈ ফংনবা মসি ফজবা লমচৎ চৎপগী খুদম অমনি, ফজবা লমচৎ তাইবঙ মপুনা য়াম্না পাম্মী হায়। ঐখোয়না ঐখোয়গী য়ুম অমদি য়ুমগী নাকলদা য়ুমগী অকোয়বদা উপাল–ৱাপাল, হৈপাল মচা মচা হৈ– লৈশু থাজিনবীদুনা ঐখোয়গী য়ুম– কৈনচিংবা ফজহনবতা নত্তনা অশেংবা নুংশিৎ ফংদুনা নাদ–য়েক্তনা ৱাখল নুংঙাইনা লৈবদা মতেং ওইগনি। য়ুম অমদি য়ুমগী অকোয়বদসু হৈ–লৈ পাম্বী মচা মচাগী গল্লাশিং ফম্বা ফৈ। করিগুম্বা উপাল অমা য়ানগে খল্লবদি ১০ থোক্লা মুন্না খল্লগা তঙাইফদবা অদুগী খল্লগা য়ানবা য়াই। অদুগা উপাল অমা থাজিনগে নিংলবদি খুদক্তা থাগদবনি। মরমদি উপাল–ৱাপাল, অশং–অমান, উমং–ৱামংগী কান্নবদি থাদুনা লোইবা নাইরোই। ঐখোয় মীওইবা য়াওনা থৱায় পানবা জিবা খুদিংমক ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা মহৌশাগী তাইবঙ মপুগী খুৎশেমশিং অসিনা ঙাক শেনবীরিবনি।



# WAYEL CROSSWORD

*Crossword-109*



**ACROSS**
1 Deeply affected (8)
4 Mass murder (8)
7 Herb (5)
9 Type of carriage (6)
10 Cooker (4)
11 Claws (6)
12 Blue-flowering plant (7)
14 ___ Watson, actress (4)
15 Rejected (6)
16 Oval shape (7)
18 Be cautious (4,4)
21 Correct (4)
23 Mistaken belief (8)
24 Determinedly (8)
25 Skin condition (4)
27 True, legitimate (8)
29 Mosque tower (7)
30 Falsified (6)
32 Trade fair (4)
33 Renowned (7)
36 Element, symbol Ra (6)
39 Scalp growth (4)
40 Jeans (6)
41 Circumvent (5)
42 Young (8)
43 Actor (8)

**DOWN**
1 Secondary headline (8)
2 Military rank (7)
3 CS Lewis' fantasy land (6)
4 Guadalajara's country (6)
5 Rendered void (8)
6 High spirits (10)
8 Bush (5)
9 Cosmetic item (8)
11 Touchscreen device (6)
13 Douse (10)
17 River Rhine siren (7)
18 Fibrous tissue (6)
19 Danish city (10)
20 Solitary person (7)
22 Hiring fee (6)
26 Insignia (6)
27 Over and over (10)
28 Military stronghold (8)
30 Loading vehicle (8)
31 Caviar fish (8)
34 Way in (7)
35 Bit-part actor (5)
37 Bleak (6)
38 Not injured (6)



| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 3 | 2 | 6 | 7 | 1 | 8 | 9 | 5 |
| 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 | 1 | 2 | 3 |
| 1 | 8 | 5 | 9 | 2 | 3 | 6 | 4 | 7 |
| 7 | 5 | 9 | 4 | 1 | 6 | 2 | 3 | 8 |
| 6 | 1 | 3 | 8 | 9 | 2 | 7 | 5 | 4 |
| 2 | 4 | 8 | 3 | 5 | 7 | 9 | 6 | 1 |
| 5 | 9 | 7 | 1 | 6 | 4 | 3 | 8 | 2 |
| 3 | 2 | 4 | 7 | 8 | 9 | 5 | 1 | 6 |
| 8 | 6 | 1 | 2 | 3 | 5 | 4 | 7 | 9 |

# WAYEL SUDOKU

*Puzzle-90*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 3 | | | 7 | 1 | | | |
| 9 | | | | 4 | | 1 | | 3 |
| | 8 | 5 | | | | 6 | | |
| 7 | | | | | | | | |
| | | | 8 | | | | 5 | |
| 2 | | | | | 7 | 9 | | 1 |
| | 9 | 7 | | 6 | | 3 | | |
| | | | | | | | | |
| | 6 | | | 3 | | 4 | | |

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR :IMPHAL

ADMISSION NOTICE /648
Dated, the 16th October, 2025

No.MU/DACE/Adm-22/1/Aca: Online applications are invited for admission to the following UPSC Civil Services Examination courses (optional papers/subjects) offered by Dr. Ambedkar Centre of Excellence, Manipur University :

| SL. NO. | COURSE | DURATION | COURSE FEE | COURSE START DATE |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Political Science and International Relations | Four Months | Rs.20,000/- | 10 Nov.,2025 |
| 2 | Public Administration | Four Months | Rs.20,000/- | 10 Nov.,2025 |
| 3 | Manipuri | Four Months | Rs.20,000/- | 10 Nov.,2025 |

**The Courses are open to all categories (General/OBC/SC/ST/EWS).** Interested candidates may apply for admission by depositing respective course fees as indicated above. The existing students of DACE MU need not pay any fee.

Candidates should upload copies of their Fee Payment Receipt in pdf/jpeg format along with the application form.

IMPORTANT DATE LINES :

| | |
|---|---|
| Start of Online Application Form Submission | 17th October, 2025 |
| Last Date of Online Application Form Submission | 7th November, 2025 (5.00 pm) |

**Account Details for Fee Payment**
Account Name : MUDACE
Account Number: 41348009468 /IFSC: SBIN0005320/ MICR: 795002005
Bank Branch : Manipur University Campus

**Forms can be filled up by using the Google Form link :https://forms.gle/mbKprfat4d6V9MUS7**

WK 08/17-18 Oct

(Prof. M. Premjit Singh)
Registrar

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR :IMPHAL

**Post-Doctoral Fellow (PDF) Admission Notice**
*(Under Visvesvaraya Ph.D. scheme, Phase-II)*
Dated, the 16th October, 2025 /649

No.MU/3-121/V.Ph.D.S/Aca/25: In continuation of this office admission notice No. 642, dated, the 26th September, 2025, the last date of submission of online applications for admission into Post-Doctoral Fellowship (PDF) seat in the Department of Computer Science under the **'Visvesvaraya Ph.D. scheme, Phase-II'** supported by MeitY, Govt. of India, for the academic session 2025-2026 has been extended upto **22nd October, 2025**. For more details (**Eligibility Criteria, Fellowship amount, Duration, etc.**) of the Visvesvaraya Ph.D. scheme, kindly visit the linkhttp://phd.digitalindiacorporation.in/

**How to apply:**
Candidates must fill out the Google Form and upload a PDF file containing their updated bio-data, relevant certificates, publications, and mark sheets. All scanned documents must be self-attested on every page and upload the documents using the Google link: https://forms.gle/AZJzi8A4LkEBysLFA
Candidates are asked to send the Bio-data, research proposal, publications, and other relevant documents to the address of the contact person on or before 22nd October, 2025.

**Application Checklist:**
Candidates must bring all original documents along with one set of photocopies of the following:
1. Bio-data.
2. Mark sheets/Grade cards of:
   - Matriculation/Secondary (10th)
   - Higher Secondary (12th)
   - All university examinations (UG/PG/Ph.D.)
3. Proof of date of birth (e.g., birth certificate or Class 10 certificate).
4. Research proposal write up defining clear objectives, outcomes and deliverables against the award.
5. Any other documents related to publications, patents and other testimonials.

**Selection Process:**
1. The admission core committee is responsible for the selection and recommendation.
2. No TA/DA will be provided.
3. Candidates should make their arrangements for the stay.
4. Shortlisted candidates will be informed by email. Only selected candidates will be contacted.

**Important Dates:**

| | |
|---|---|
| **Start of Google Form Submission** | **17.10.2025** |
| **Last Date of Google Form and Hard Copy Submission** | **22.10.2025** |
| **Date of Personal Interview (Tentative)** | **27.10.2025** |

**Contact:**
1. **Dr. Nazrul Hoque,The Nodal Officer, Visvesvaraya PhD Scheme**
   Email: nazrul@manipuruniv.ac.in
2. **Dr. Khumukcham Robindro Singh, HoD, Department of Computer Science**
   Email: rbkh@manipuruniv.ac.in

(Prof. M. Premjit Singh)
Registrar

WK 09/17 Oct

Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. **9856088733**